# কংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমুক হন্না পায়খ্রে

বিষ্ণুপুর, জুন ১২ঃ

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৮দগী ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন এম দি মহেরুদ্দিনগী মথক্তগ থাঙ্গৎলকখিবা নো কনফিদেন্স মোসননা মরম ওইরগা কাউন্সিল অসিগী মনুংদা চরাংনবা লৈরকখিবদু থা অসিগী ১১দা ৱিদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা কংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমুক হান্না এম দি মহেরুদ্দিননা চেয়ারপার্সন ওইখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙরাং ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম পি সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী (ম্যুনিসিপালিটি এফিয়ার্স) এন্দ স্পোক্স পার্সন ওইরিবা কে ঐচ দেব্রতা সিংহনা হায়, এম দি মহেরুদ্দিননা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন ওইবসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তগ দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক হেন্না লৈহনবনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী দেমোক্রেসিগী ওন্ন–চৈনবা থবক থৌওং কয়া চথরকপবু মায়থিবা পীবগী মায় পাকপা অমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাকসিনা মোইরাং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলসি কংগ্রেসনা পায়বা নমদুনা মুন্নবা হোৎনবা লাইবক থিবনি অমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি কাউদুনা নম্ফুদা ওন্ন–তৈনবা ঙাক্তা তৌবনি। অদুবু আইননা অচুম্বা পুথোক্তুনা কংগ্রেসনা অমুক মায় পাকপনি। অদুনা কংগ্রেসনা লুচিংবসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া অমুক মখা তানা পায়খৎলগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মোইরাং কেন্দ্রগী হান্নগী এম এল এ এম পৃথিবিরাজনা হায়, বি জে পিনা আইন থুগাইদুনা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা কংগ্রেসবু নমদুনা মুত্থৎনবা হোৎনবদু মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে। মসি করনাতকাদসু হন্দক্তা থোকখিবদুগা মান্নবা থৌওংনি। মতুংদদি অমুক লৈবাক্কী আইন থুগাইবা থবকশিং থোক্তনবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না হোৎনবীয়ু। লৈঙাকসিনা ওফিসারশিংবু নমদুনা লান্না শীজিন্নবা তৌবা তোকপীয়ু হায়খি।

এম দি মহেরুদ্দিননা হায়, মহাক্না লুচিংলিবা কাউন্সিলগী এরিয়াদা চাওখৎ–থৌরাংগী থবকশিং কয়া পায়খৎপদা কেন্দ্রসিগী বি জে পি এম এল এনা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপীয়ু। মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাংশিং পায়খৎপদা কাউন্সিলবু মনিং তমহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিল্লরশিং অমদি এরিয়া অসিগী মীওই কয়া শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না চেয়ারর্পসনবু লৈ পরেংশিং হুকখি। মখা তানা শরুক য়াখিবা মরু ওইবা মীওইশিংনা ক্বাক্তা এরিয়াদা লৈবা মসজিৎশিংদা চৎতুনা ইফতারগী পোৎলমশিংসু খুদোল তমখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## মহৈরোইশিংনা লাক্লিংবা মহৈলোইশঙ ওইহনসি...

লাক্লিবা চহীশিংদা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোইশিংনা পোজিসন ফাওবা য়াওরকপা ঙম্নবগী পান্দম অমা থমদুনা হোৎনরি। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু মহৈতম্বীবা মতমদা তোঙান–তোঙানবা মওংশিং শীজিন্নদুনা তাকপীসি। মহৈতম্ফমশঙশিং অসিদা মহৈরোইশিংদা লাক্লিংনবা মফম অমা ওইহল্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি ওঝা ওইরিবা খুদিংমক মহৈরোই ওইরকখিবা ঙাক্তনি। মহৈরোই ওইরিঙৈ মতমদা ওঝাশিংনা তৌহন্নিংবা অমদি পামখিবশিং অদু ঙসি ওঝা ওইরিবশিংনসু মহৈরোইশিংদা তাকপীয়ু–তম্বীয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এড়ুকেসন (এস)কী দাইরেক্টর ওইরিবা এসএসএগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্টর টিঐচ কিরনকুমার অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী এড়ুকেসন (এস) ভুমলুমাং ভুৱালনামসু শরুক য়াখি।

## প্রমোসন পীবা য়াওনা এমপিএস ওফিসার ৭২গী...

৭শুবা আইআরবিগী দিৱাইসিও, অহানবা আইআরবিগী এসি জেমখানসুৱান গুইতেনা অহানবা আইআরবিগী দিৱাইসিও, ৪শুবা আইআরবিগী এসি সিঐচ অদানি মাওনা ৪শুবা আইআরবিগী দিৱাইসিও, দিএসপি / সিআইদি (টেক্লিকেল) এল সরিতা দেবীনা এডিস্নেল এসপি সিআইদি (টেক্লিকেল), ৮শুবা এমআরগী এসি এন নোবিননা ৮শুবা এমআরগী দিৱাইসিও, ৫শুবা আইআরবিগী এসি পি কিরনকুমারনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৬শুবা আইআরবিগী এসি এ বসন্ত শর্ম্মনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, অহানবা আইআরবিগী ঐচ কুমারনা ২শুবা এমআরগী দিৱাইসিও, ৫শুবা আইআরবিগী এসি এনজি জুগিন্দ্রোনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৩শুবা আইআরবিগী এসি কে দিলিপনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৬শুবা এমআরগী এসি কেএসঐচ মনিহারনা এদ্দিস্নেল এসপি (ওপস), বিষ্ণুপুর, অহানবা এমআরগী এসি ৱাই চন্দ্রমনিনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ২শুবা এমআরগী এসি ৱাই মোহিন্দ্রোনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৫শুবা এমআরগী এসি ঐচ জোন লোখোনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ২শুবা এমআরগী এসি ৱাই সুসিলকুমারনা অহানবা এমআরগী দিৱাইসিও, ৭শুবা আইআরবিগী এসি একে সদানন্দনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও,৬শুবা আইআরবিগী এসি সুরেস ঠপ্পানা অহানবা এমআরগী দিৱাইসিও, ৫শুবা আইআরবিগী এসি এমদি অব্দুল সলামনা এদ্দিস্নেল এসপি, কামজোং, দিএসপি, লোক্তাক প্রোটেক্সন ফোর্স টিঐচ কৃষ্ণতোম্বীনা ৮শুবা আইআরবিগী দিৱাইসিও, দিএসপি সিআইদি (সিবি) টিঐচ মোধুচন্দ্রনা এদ্দিস্নেল এসপি, দিজিসিআর, দিএসপি, সিআইদি (সিবি) টিঐচ রামগোপালনা এদ্দিস্নেল এসপি, সিআইদি (টেক্লিকেল), দিএসপি, সিআইদি (সেক্যুরিটি) এসৱাই লুমাসোন তাঙ্খুলনা এদ্দিস্নেল এসপি,সিআইদি (সেক্যুরিটি), দিএসপি ভিজিলেন্স পাওজালম কিপগেননা এদ্দিস্নেল এসপি ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি–করপসন, দিএসপি, এসআইটি এন শমুঙৌনা মসিগী এদ্দিস্নেল এসপি, ২শুবা এমআরগী এসি ও চাওবনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৬শুবা এমআরগী এসি দল্লিয়ু মুন তাঙ্খুলনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, দিএসপি, সিআইদি (সেক্যুরিটি) এল জি ঙাইতেনা মসিগী এদ্দিস্নেল এসপি, ৭শুবা এমআরগী এসি ঐচ লিয়নচিন্থাংনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৩শুবা আইআরবিগী এস ইবোচৌনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও,দিএসপি (রিজার্ভ), ইম্ফাল ৱেষ্ট এস রামেশ্বরনা এদ্দিস্নেল এসপি (এডমিনিষ্ট্রেসন), ইম্ফাল ৱেষ্ট, অহানবা এমআরগী এসি এমদি রসিদ অলিনা জেসামিগী এদ্দিস্নেল এসপি, দিএসপি ভিজিলেন্স সরাংথেম হেমন্তনা এদ্দিস্নেল এসপি ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি–করপসন, এসদিপিও তৌশেম এমদি অব্দুল কলামনা তমেংলোংগী এদ্দিস্নেল এসপি, থৌবালগী দিএসপি (ওপস) সচিদানন্দ সোইবমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদ্দিস্নেল এসপি (ওপস), দিএসপি ভিজিলেন্স লিনা য়ুম্নামনা এদ্দিস্নেল এআইজি (ঐচক্যু) এসদিপিও ককচীং থিংনাম দেশ্বরজিৎনা দিষ্ট্রিক্টসিগী এডিস্নেল এসপি, ৯শুবা আইআরবিগী দিএসপি হাওবম সঙ্ঘমিতানা এদ্দিস্নেল এসপি (প্রোজিক্যুসন), ৭শুবা এমআরগী এসি রিনা হাওবমনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ইম্ফাল ইষ্টকী দিএসপি (ওপস) সকলেম্বা রাজকুমারনা এনএবিগী এদ্দিস্নেল এসপি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিএসপি (ওপস)থোকচোম শঙ্করদেবনা এদ্দিস্নেল এসপি ট্রাফিক ইম্ফাল ৱেষ্ট, দিএসপি ভিজিলেন্স নিঙোম্বম জোননা এদ্দিস্নেল এসপি সিআইদি (সিবি), ৮শুবা আইআরবিগী এসি নেপ্রম নেত্রজিৎনা এদ্দিস্নেল এসপি (ওপস), ককচীং, চান্দেলগী এসদিপিও সয়েদ অব্দুল সমতনা এদ্দিস্নেল এসপি চান্দেল, ইম্ফাল ইষ্টকী দিএসপি রোনি মায়েংবমনা এদ্দিস্নেল এসপি ট্রাফিক, ইম্ফাল ইষ্ট, দিএসপি সিআইদি (এসবি) পাউখুনমুং গুইতেনা এদিস্নেল এসপি (প্রোজিক্যুসন), মাওগী এসদিপিও সেম্মি রমরোরনা সেনাপটিগী এদ্দিস্নেল এসপি, অহানবা এমআরগী এসি প্রমেস অরাম্বমনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, ৮শুবা আইআরবিগী এসি ইম্মান্যুল এল ফিমাতেনা এদ্দিস্নেল এসপি (ওপস), কাংপোকপী ৯শুবা আইআরবিগী দিএসপি কিরনমালা পুখ্রম্বমনা বট্টালিয়ন অসিগী দিৱাইসিও, দিএসপি সিদিও ইম্ফাল ইষ্ট খম্নাম রোবিন্সননা এদ্দিস্নেল এসপি (তেংনৌপল), অহানবা আইআরবিগী এসি সাংবোই গাংতেনা এদ্দিস্নেল এআইজি হেদ ক্বার্টর (ওপস), ২শুবা আইআরবিগী এসি লুঞ্জামুং তুংনুংনা তেংনৌপলগী এদ্দিস্নেল এসপি (ওপস), নুংবাগী এসদিপিও থোলু রোকিনা নোনেগী এদ্দিস্নেল এসপি, ৫শুবা এমআরগী এসি নমসাদাই পিটরনা উখ্রুলগী এদ্দিস্নেল এসপি (এলও), ৯শুবা আইআরবিগী দিএসপি লিংজাকিম হাওকিপনা এদ্দিস্নেল এআইজি হেদ ক্বার্টর (এডমিনিষ্ট্রেসন) অমসুং ময়াং ইম্ফালগী এসদিপিও হৈস্নাম বাসুলালনা জিরিবামগী এদ্দিস্নেল এসপি (এলও) ওইরগনি হায়রি।

অমরোমদা ঙসি দি জি পি মণিপুরনা থোকখিবা অতোপ্প ওর্দর অমদনা এম পি এস ওফিসার ৮গী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ফম হোংদোক্লহনখ্রবশিং অদুদি ৭শুবা এমআরগী এ সি য়ুম্নাম জয়রাজনা এস দি পি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, দি এস সি, সি দি ও (থৌবাল) য়ুম্নাম প্রেমজিৎনা এস দি পি লম্ফেল, এস দি পি ও লম্ফেল ওইরম্বা ওক্রমচা ৱাংখোম্বনা ময়াং–ইম্ফালগী এস দি পি ও, ৬শুবা আই আর বি গী এ সি টিঐচ সনাতোম্বনা জিরিবামগী এস দি পি ও, জিরিবামগী এস দি পি ও ওইরম্বা আর কে চার্লেসনা দি এস পি (ওপস) ইম্ফাল ইষ্ট, দি এস পি (ওপস) বিষ্ণুপুর পুক্রম সঙ্করনা ককচিংগী এস দি পি ও, দি এস পি (কম্মানেদা) ইম্ফাল ৱেষ্ট রোজিৎ ইরোমনা নুংবাগী এস দি পি ও অমসুং দি এস পি (কম্মান্দো) বিষ্ণুপুর সোনিসিয়াম গো সাংনা ৪শুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইরগনি হায়রি।

## অজয় মৈতে থা অমগী মেডিকেল গ্রাউন্দদা জেলদগী...

মসিগী তঙাই ফদবা ফোর্মেলিটিশিং মপুং ফানা পাঙথোক্লবা মতুংদনি হায়নসু পল্লি।

পনবা য়াবদি এয়রপোর্ট রোদতা থোকখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন –৩০৪–টু অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৭কী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

অদুবু কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)দা খূৎশিন্নখিবদগী এজেন্সি অসিনা কেস নম্বর– আরসি –৫/ (৮) /২০১১ /ইম্ফাল সিবিআই রেজিষ্টর, তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন তৌখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন অসিদগী সিবিআইনা ফ্রেম তৌরকপা চার্জশিটতা সেসন্স জর্জ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা সেসন ত্রাইয়েল নম্বর–৩/ ১২/ ১৫/ ১৩/ ৫৫/ ১৩ লৌখৎতুনা ৱায়েল চথখিবনি।

ৱায়েলসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্ডরদা মহাকপু মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকপগা লোয়ননা কোর্টনা কনভিক্সন পীখিবনি।

কোর্টকী ওর্ডর অসিদগী মহাক মণিপুর সেন্ট্রেল জেলগী ‘নিউ জেল’দা নুপা কনভিক্ট খরগা লোয়ননা থল্লকখিবনি।

মহাকপু হোম দিপার্টমেন্টকী ওর্ডর মতুং ইন্না জেলসিদগী নুমিৎ ৩০নি থাদোক্লিবসি ওর্ডরসি থোকখিবা থাসিগী ৮দগী পারগা মথঙ থা (জুলাই)গী ৭,২০১৮ফাউবনি।

অদুগা মহাক জেলসিদা জুলাই ৮,২০১৮গী নুংথিলগী পুং ৪গী মমাঙদা শোয়দনা হল্লক্কদবনি হায়নসু ওর্ডরসিদা পল্লি।

এসপি, জেলগী ওর্ডর অসিগী কোপীশিং এদিজিপি (প্রিজন্স), মণিপুর, স্পেসিয়েল সেক্রেটরী (হোম), ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং, জেলসিগী এদ্দিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়র, ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোবেশন ওফিসর, জেলসিগী জেলর (এডমিনিষ্ট্রেসন) অমসুং এন অজয় মৈতে মশাদসু পীখি। মহাক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মচানুপানি।

# ঈশিংদা ঈরাক্লবদগী কনখ্রে

ককচিং, জুন ১২ঃ

ককচিং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেংদা লৈবা ময়াংলম্বম দ্রাবিত (১৩)না সেঙমাই তুরেলদা ঈরুজ মিন্নবা নাওরেম লক্কিসন (১১) কৌবা অমা ঈরাক্লদুনা লুপখিবদগী কনবা ঙমখ্রে।

তুরেল ৱাংমা য়ঙলার্নর এসোসিয়েসন ককচিংগী সেক্রেটরী কে এস ঐচ হেমন্তনা থাদোরকপা চেরোল পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, থা অসিগী ১দগী ককচিং তুরেল ৱাংমা মনাৱৈ পরেংদা লৈবা নাওরেম লক্কিসন (১১) অপোকপা মোহেন্দ্রো অমসুং মমান্নবশিংগা লোয়ননা তুরেলদা ঈরুজমিন্নবদা ঈরাক্লখিবনি। মতম অদুদা দ্রাবিত (১৩) অপোকপা জিতেননা ঈরুপ্তুনা কোইথি থিরগা লক্কিসনবু পুখৎলক্তুনা থৱাই কনখিবনি। ঈরোলনুংদা লুপখ্রবা অঙাং অমবু দ্রাবিতনা কনবিখিবা অদুগীদমক এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং ওকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ হন্দক্তা ফল লাওথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর অমসুং কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা ফাষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌরক্লবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ওল দ্রাইভর এন্দ ওর্নর ইরিলবুং ইম্ফাল ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ত্রান্সপোর্টর এসোসিয়েসননা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

খন্নরোক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এম এল এ এল রামেশ্বর মৈতৈনা অথোইবা মীথুং, বামোনকম্পু জিল্লা পরিষদকী মেম্বর গোলমৈ কচুংনানা থৌরম মপু, কৈরাও জি পিগী প্রধান কে চৌরজিৎ অমসুং প্রধান চনম সন্দ্রোক জি পি কে সুন্দরনা ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং অমসুং রনেন্দ্র নাতৈ দবম এম এফ এসনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কৈরাও, লংদুম, খন্নরোক, চনম শন্দ্রোক, কৈরাও ৱাংখেম অমসুং লাইফরোক মরিংদা লৈবা মহৈরোই ৪৭ তা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## নমথখ্রবা লম্বী অথুবদা শেমজিন্নবা...

অমরোমদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মসিগী ৱাফম অসি পাউচেদা ফোঙদোক্লবা মতমদা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা কংগ্রেসনা ইনশিল্লগা ৱাফম অদু হায়হনবনি হায়বদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি। লম্বী অসি চেপ্পনা মরম ওইরদুনা মীচথোক চৎশিন্দা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অপনবা থোকপা য়াওরকপদগী গভর্ণমেন্টকী পুক্লিং চিংশিনবীনবা হায়জখিবনি হায়খি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম এল এ এ ইন্দ্রজিৎনা হায়, কোংপাল খাইদেম লৈকাই লম্বী অসিগী ফিভম অসি য়ামনা লুশিলক্লে। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈরিবা অসি মীয়াম প্রজাশিংগীদমক্তনি। খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এনা তৌখিবা অদুসু প্রজাশিংগী ফনবা তৌবনি।

অদুবু লম্বীগী ফিভম অসিনা অঙাংশিং স্কুল চৎপদা ভেন য়াওনা গারীশিং চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা থোকপনা মরম ওইরগা খোঙনা থিন্দোক থিনজিন তৌবদা অৱাবা ফিভম অমা মায়োক্নহল্লে।

গভর্ণমেন্ট অসি মীয়ামগীনি। চীফ মিনিষ্টর তান্নরগা লম্বী অসি শেমজিন্দুনা প্রজাশিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎকনি হায়খি।

নমথখ্রবা তুরেল তোৰ্ব্বানগী ফিভম অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিয়িনার কে এস ঐচ প্রিতমনা হায়, ঙসি অসি ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী এম এল এনা পাউ পীরকপদগী লম্বী নমথবা শরুক অসি য়েংশিনবা লাকপনি।

দাম খরা লৌথোকখিবগী ইফেক্ট খরদি লৈবগী মমি তাই। মরম অসিনা আই এফ সি দি মিনিষ্টরগা তান্নরগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। হৌজিক নোং লেপ্তনা চুবনা মরম ওইরগা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অসি য়েংলগা ৱা য়ুংলগা ফক্লোংনচিংবা হাপ্লবা মতুংদা লৈবাক হৈনবা থবক পায়খৎলগনি হায়খি।

## এময়ুগী ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিনদি...

মীফম অদুদা ষ্টেট অসিগী এড়ুকেসন সেক্টর ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নরদুনা হৌজিক লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অহুম ফন্দ হেন্না পীবগী তঙাই ফদবা অদু ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিগী পুক্লে চোন্না লৈরিবা জগোই–ঈশৈ, সাহিত্য, অইবা অমসুং ইদবা ইতিহাস, চিনবুঙগী চৎনবী অসিনচিংবা কয়া মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা লৈরি। মপুং ওইনা য়ুনেস্কোনা নট সংস্কৃতনবু ইন্টেঞ্জিবল হেরিটেজ ওইনা শক খঙখিবা অদুসু নৌহৌননা নীংশিংখি।

টেক্লিকেল য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা পল্লদুনা গভর্ণরনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসি হৌবতা ঙাইরি অদুবু ইন্দিজেনস রিছার্স হেন্না ফগৎহনবা তঙাই ফদে। কলচর অমসুং স্পোর্টসকী সেন্টর অমা ওইবনা মমাঙৌঙৈদগী লৈরক্লবা কয়া য়োকখৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না গভর্ণর কনফরেন্স অদুদা পুথোকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা হন্দক চৎলুবা অদুদা নন–রিসিদেন্স ইন্দিয়নশিংগা ৱারী–ৱাতাই শান্নবগী খুদোংচাবা ফঙখি অমসুং মণিপুরগী থোইদোক–হেন্দোকপা মগুণ কয়া খন্নখি অমদি ষ্টেট অসি শেমগৎপগী তঙাই ফদবা অদুসু খন্নখি। মদুদা মখোয় অয়াম্বনা মণিপুরদা কোইরক্লিংবা অমসুং মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি হায়নসু গভর্ণরনা পাউদমখি।

## ঈশিংনা চেন্থখিবা অঙাং ১ শিনা...

চেল্লিবা হেন্দ পম্প খোং মরিলদা তাশিনখিবদগী ঈশিংনা চেন্থখিবনি। খুদক্তা অকোইবদা লৈবা মীয়াম অমদি নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেলশিং য়াওনা থিবদা মিটর ২০০ রোম চথরগা লৈবা লৌরেম্বম চীংলক ৱাংমদগী নুমিদাংৱাইরমদা হকচাং অদু অশিবা ওইনা ফঙবা ঙমখিবনি।

## তোৰ্ব্বান নমথবা শেমজিনখ্রে

অদুবু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অমদি ৱাবগাই কৈরক জিলা পরিষদ মেম্বর এম জয়ন্ত কুমার, ৱাবগাই জি পিগী প্রধান অমদি অতৈ মীওই কয়াগা খূৎশম্নরগা খুদক্তা শেমজিনখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ঈশিং ঈচাওগী খুদোংথিনিংঙাই ফিভম ওইদ্রি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্নদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়ন নেভিগী লেফটিনেন্ট...

নুমিৎ ২৫৪ চুপ্পা চত্থখিবা নেভিকা সাগর পরিকর্মা খোঙচৎ অদুগী ভিদিও মহৈরোইশিংদা উৎখিবগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

লেফটিনেন্ট এস বিজয়া মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা মতিক চাবা মীওই কয়া লৈরবসু মপান লমদা করি তৌরি অমদি করম্বা শিনফমশিংদা চঙবা য়াবগে হায়বা খঙনবগী খুদোংচাবা ৱাৎলি। মরম অসিনা নহাশিংদা এৱ্যারনেস পীবা য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

## ভি সিনা অফবা শাদুনা ইকজাম...

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কলেজ মহৈরোইশিং অমদি তোঙান–তোঙানবা মহৈরোই লূপশিংদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎপীদুনা অফবা একাদেমিক এদমোসফিয়ার ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। মথৌ মশক খঙদবা ভি সি এ পি পান্দেনা থবক তৌবা শাদুনা য়েংশিনবা চৎলিবা অসিদা কো ওপরেসন পীবিগনু। কলেজ ইন্সটিট্যুসনশিংদা চঙলকপদা অথিংবা পীবিয়ু হায়নসু অপিল তৌরি।

মুসুগা ৱারী শান্নবনি হায়দুনা খূৎচাবী প্রোফেসর খরগী কমিতি অমা শেল্লীবসিসু মরম চাদে। হৌজিক লৈরিবা ভি সি অসি লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা কমিতি অসিগা কৈদৌঙৈদা ৱারী শান্নরোই। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিবু কন্নিংবা খুদিংমক্লা মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খুন্নাই য়োকখৎপী ইমাশিং ইকায় খুম্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ঃ

ইরমদম কনবা অপুনবা লূপ (ইকল) অমদি সোসিয়েল অফলিফমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস য়ুও)না শাফোঙলকপদগী লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা ইরমদমগী য়েলহৌমী হেনগৎনবগী পান্দমদা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপা খুন্নাই য়োকখৎপা ইমাশিং ইকায় খুম্নবা থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই এম সি ৱার্দ নম্বর ২০গী কোর্পোরেটর লুক্রাম ওংবী তোম্বী দেবী, দি সি কে ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট ন্যুজ এডিটর সি ঐচ বিরেন্দ্র, এল সনোই কলেজ নম্বেলগী এসোসিয়েট প্রোফেসার শ্রীমা নিংঙোম্বম, এল আই পি য়ু এলগী প্রসিদেন্ট সোমারেন্দ্রো থোকচোম অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্টি মুতুম চুরামনিনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

ইকলগী জেনরেল সেক্রেটরী ৱাহেংবম লুৱাং লৈমনা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৪দগী লেপ্পা লৈতনা চত্থরকপা থৌরম অমদা ওইনা ঙসিসু ৫রেকশুবা খুন্নাই য়োকখৎপী ইমাশিং ইকায় খুম্নবা থৌরম পাঙথোকপনি। লূপ অসিনা ঙমজবা খুদোলপোৎকা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেন্দ্বদা নুপী ওইবীশিংগী থৌদাং লৌরিবা অসি দাইত্ব চাওই হায়বদু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লূপ অসিনা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা একজামিনেসনদা ফার্স্ত পোজিসনদী ৫শুবা পোজিসন ফাওবা তাখিবা মহৈরোইশিংদা অচম্বা খূদোল পোৎ পীখি। লোয়ননা অঙাং য়াম্না পোকপা মমা ১৪দসু খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# মোরেদা লিগেল এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, জুন ১২ঃ

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা চথরকপা থৌরম অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ানেস প্রোগ্রামগা লোয়ননা ওবজার্বেন্স ওফ ৱার্ল্ড দে এগেনষ্টচাইল্ড লেভর ঙসি মোরে ৱার্দনম্বর ৯দা লৈবা যাত্রি নিৱাসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদভোকেন্ট সি ঐচনন্দ দেবী অমদি এদভোকেন্ট এস মনোরঞ্জননা মথং শীৎনা চাইল্ড লেবরগী মতাংদা, জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট অমসুং লিগেল রাইটকী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।

এদভোকেন্ট সি ঐচনন্দ দেবীনা হায়, মোরে অসি বোদর টাউন ওইবনিনা ম্যানমারদগী পুশিল্লকপা দ্রগশিং অসি চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা পুহন্দুনা লল্লোল ইতিক তৌহনবা অমদি চাইল্ড ত্রাফিকিং তৌবা অসি মীয়াম্না ইশা ইশানা জ্ঞান তনা থিংহৌসি অমসুং অফবা চাখওৎপা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

## মরুওইবা তুরেলশিং খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে...

তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অসিগী য়েংলগা খুদোংথিবা থোক্তনবা অমসুং ঈচাউ মায়োক্লবদগী কোকহন্নবগীদমক ঈথাই বেরেজগী গেট খরা হাঙদোকপা হৌরে। বেরেজ অসিগী গেট নম্বর ২ অমসুং ৪ অসি মিটর অমগী চাংদা হাংদোক্লে, গেট নম্বর ৩ শুবনা মিটর ১.৫ অমসুং গেট নম্বর ১ অমসুং ৫ দি হৌজিক ফাওবা হাংদোকপা লৈত্রি হায়রি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল থৌবাল তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা থৌবাল কিয়াম সিফাই লাই হরাউফম মনাক্তা দুকান অমা তুরেলগী ঈরৈনা চেন্থখ্রে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা চুখিবা নোংজুগী চাংদা কাংপোকপীদা এম এম ৩৪, সাইকুলদা এম এম ২৭, লিতান্দা এম এম ২৮, জিরিবামদা এম এম ৩৭.২, লম্ফেলদা এম এম ১৫ অমসুং রাজভবন্দা এম এম ১৩গী চাংদা নোং চুখি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪দা নোং লেপ্তনা চুরকপা অসিনা মরম ওইরগা ক্বাক্তা সন্থোং মখা লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৭ গী মফম খরদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরে। লম্বীশিং ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা স্কুল চৎকদবা অঙাং পুবা ভেনশিং চৎপা য়াদবদগী মহৈরোইশিং অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

মোইরাং কেন্দ্রগী শরুক অমা ওইরিবা মফম অসিগী লম্বীশিং অসি শেম্বীনবা মরি লৈনবা ওঠোরিতিশিংদা য়েংশিনবীনবা তকশিনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা নম্বুল তুরেলগী ঈমায় ৱাখৎলকপগা লোয়ননা উরিপোক লাইখুরেম্বীরোম থংবা শরুক্তা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরে। নম্বুল তুরেলদগী চংশিল্লকপা ঈশিংনা মফম অদুগী য়ুম খরা অমসুং উরিপোক কাঙচুপ লম্বীগী শরুক খরা ঈশিংনা থমজিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরা নোং লেপ্তনা চুবা অদুনা মরম ওইরগা ইম্ফাল মনুংগী অনেম্বা মফম খরা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। কৈশামথোং ,হাউবম মরক্কী অনেম্বা মফমশিং নোং অদুনা মরম ওইরগা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা নেসনেল ৱেদর ফোরকাষ্ট সেন্টর ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউগী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নীনি অসিদা মণিপুরগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ কনবদগীনা খ্বাইদগী কন্নবা চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

হয়েং জুন ১৩ অসিদা নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা, কেরেলা অমসুং কোষ্টেল কর্নাটাকাগী মফম খরদা য়াইমরপ কন্নবা চাংদগী খ্বাইদগী কনবা চাং ফাওবা নোং চুরবা য়াই হায়না পীরি।

লাক্লিবা জুন ১৪ অসিদসু অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরা, খাথংবা কোষ্টেল, উরিষা, লক্ষদ্বিপতা অকন্নবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪দা নোং লেপ্তনা চুবা অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী কোর্টলেন মনাক্তা ঙসি অয়ুক চীং নিংখায়বদগী লম্বী অসিদা গারী চথোক চৎশিন্দা অপনবা থোকখ্রে। অদুম ওইনমক মেছিনরিশিং থাদদুনা নিংখায়রক্লিবা লৈবাকশিং অদু লৌথোক্লবা মতুংদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা পন্দুনা লৈরম্বা গারীশিং লান্থোকপা হৌরকখ্রে হায়রি।

## আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে...

লোয়ননা অৱাৎপশিং অসি মেনখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভমদা শোকচিলক্লিবা অসি য়েংলগা ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা উ চারাশিং থাবগী থবক পায়খৎপা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইরে।

অকোয়বগী ফিভম শোকচিলকপনা মরম ওইরগা মীওইবা ঐখোয়দা মখল মখা কয়াগী প্রোব্লেম থেংনরি। ঙসি থারিবা উ পাম্বীশিং অসি ইশাগী লননি হায়না লৌদুনা নুংশি চান্না য়েংশিনবা দরকার লৈরে। থারিবা উ চারা অসি মতম লৈরিঙৈদা অকোয়বগী ফিভম কায়থরকপদগী কন্নবা অমসুং অকোয়বগী ফিভমবু য়েংশিন্নবা হোৎনবনি। মসিনা অকোয়বগী ফিভম অসি কনবা ঙমগনি হায়খি।

খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা দাইরেক্টর সোসিয়েল ৱেলফেয়ার জাসিন্থা লাজারসনা হায়, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী বিল্ডিং অসি য়াম্না ফিভম চাদনা লৈরম্বদগী মিনিষ্টরনা নৌনা থবক পায়রকপদগী বিল্ডিং অসি মপুং ফানা শেমজিন শাজিন্নবা খঙহনখি।

মসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অসি মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা লাকপনি। ওফিস অসি মীয়ামগা চান্নবা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইহন্নবা পাউতাক মিনিষ্টরনা পীবিরে।

দাইরেক্টোরেট বিল্ডিং অসিদা নত্তনা আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুল, দেফ এন্দ ম্যুট স্কুল, ওবজার্ভেসন হোমনচিংবা কয়াগী শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলি। মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না কোল সেন্টর অমা অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি। মসিনা মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং অদু খঙদোকপদা মতেং ওইরগনি হায়খি।

দিপার্টমেন্ট অসিদগী মীয়াম্না ফংফম থোকপা খুদোংচাবা পুন্নমক অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না দাইরেক্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টর অমসুং দাইরেক্টরনা আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুল, ওবজার্ভেসন হোম অমসুং সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী কেম্পসতা উ চারশিং থাখি। লোয়ননা হৌজিক পায়খৎলিবা আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুলগী বোইজ হোষ্টেল, সুপরিনটেন্দেন্টকী ক্বার্টর, দাইরেক্টোরেটকী ওফিসকী শেমজিন শাজিনলিবশিং অদু য়েংশিনখি।

## মোরেরোমদগী...

মসিগা মরি লৈনবা এম ও য়ু সাইন তৌনবা থৌরাং লৈরে।

মোরেরোমদগী প্লাষ্টিকশিং অসি পুশিনলকপা য়াররোই হায়না পাউতাক পীদুনা অসিগুম্বা অথাবা য়ৌদবা প্লাষ্টিক খাউশিং অসি শিজিন্নদনবা মমাঙদা চেয়ারমেন য়াওনা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা মফম অদুগী মীয়ামদা খঙহল্লম্বা লৈরে হায়খি।

**Office of the**
**IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**নোটিশ**

তাং 06/06/2018 ইং

No. IMC/89/RO/V-T/2016/News Approval- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. (1) Purana Bazar, Licence No. 797- Shed No. 10 Seat No. 34 শ্রীমতী Yumrembam Mani Devi, W/o (L) Y. Pishak Singh of Uripok Achom Leikai গী মিংদা Women Vendro পানবা অসি Vendor মশা লৈখিদ্রে মরম অদুনা মৃতু Licence Holderগী মচাশিংনা Transfer - Yurembam Ibecha Devi, D/o Y. Pishak Singh of Uripok Achom LeikaiWomen Vendro গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licenceগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licenceগী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/-
**Asst. Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation

SL/3753/13

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 215/SDC/Salam of 2018*

Ningthoujam Naba Singh, S/o (L) N. Tochou Singh of Phayeng Makha Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Ningthoujam Aber Singh, S/o (L) N. Chingdumba Singh of Phayeng

***- Opposite Party***

**N O T I C E**

*Salam 12/06/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৭০–তাইরেনপোকপী পাট্টা নং ৭০/৩৭ অনৌবা দাগ নং ৩৯গী এরিয়া ৩.২২ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি ১. নিংথৌজম অরেব সিংহ পীং মৃতু চিংদুম্বা সিংহ সাং ফয়েং, ২. চিংঙাখম তোম্বা সিংহ, ৩. অঙোম সিদাম সিংহ মখোয় অহুমগী মিং পান্দুনা লৈ। নিংথৌজম অরেব সিংহগী শরক্তা দাগকী নোংচুপ্তা .৭২ একরগী লমনি। পট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মরম অদুনা লম অসি মহাক্কী মশুনুপা দরখাষ্টকারীগী মিং পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগী লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্তা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/BILL(L)/13